# থৌবাল অমসুং ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী মফম কয়াদা লম্বী থিংদুনা পাক শন্না খোঙজং চঙশিনখ্রে

এস এন এস
থৌবাল/ককচিং, নবেম্বর ০৯ ঃ

ইন্দিয়া গভর্ণমেন্ট অমসুং এন এস সি এন (আই এম)গী মরক্তা শান্তিগী ৱারী শান্নরকখিবগী ৱারোইশিন নাগা ফ্রেমৱার্ক এগ্রিমেন্টকী মখাদা পুরকপদা মণিপুরগী অপূনবা শক্তম অমদি ঙমখৈ, এদমিনিষ্ট্রেটিভ, সোসিও ইকোনোমিক অমদি কলচরেল সেটঅপতা অকায়বা পীবা য়ারোই হায়বা কোকোমিগী লমজিং মখাদা ঙসিসু থৌবাল অমসুং ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী তোঙান তোঙানবা মফমদা লম্বী থিংদুনা হ্যুমেন চেইন শেমদুনা পাক শন্না খোঙজং চঙশিনখ্রে।



*থৌবালগী কৈথেল ফম্বী ইমাশিং অমদি মীয়াম্না নেস্নেল হায়ৱে তঙ্খায় থিংদুনা হ্যুমেন চেইন শেম্বগা লোয়ননা মণিপুরগী ঙমখৈ অমসুং শক্তম কায়বা য়ারোই হায়না খোঙজং চঙশিনখিবা*

থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুংচনবা ৱাংমা তাবদা লৈবা সোফিয়া ইংলিস স্কুলগী মহৈরোয়শিংনা স্কুলগী মমাঙদা চেকশিন মীফম ফমদুনা খোঙজং চঙশিনখি। থৌবাল নিঙোম্বমদা লৈবা ইভরগ্রিন ফ্লৱার ইংলিস স্কুলগী মহৈরোয়শিংনসু মণিপুরগী শক্তম কায়বা য়ারোই হায়না খোঙজং চঙশিনখ্রে।

য়াইরিপোক য়ুনিভর্সিয়েল কলেজগী মহৈরোয় অমসুং ওঝাশিংনা কলেজ মমাঙদা থোক্তুনা হ্যুমেন চেইন শেমদুনা খোল্লাও কয়া লাওখি, এ সি এম ই হয়ার সেকেন্দরি স্কুল য়াইরিপোক্কী মহৈরোয় অমদি ওঝাশিংনসু স্কুলদগী য়াইরিপোক কৈথেলগী অকোয়বদা খোঙচৎ চত্তুনা মণিপুরগী শক্তম কায়বা য়ারোই হায়বা খোল্লাও কয়া লাওখি।

খোংজোম ষ্টেন্দর্দ ইংলিস স্কুলগী মহৈরোয়শিংনা নেস্নেল হায়ৱে পরিংদা হ্যুমেন চেইন শেমদুনা খোঙজং চত্খ্রে।

থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট ট্রান্সপোর্টরস য়ুনিয়ন্না ঙসি নোংমগী শিঙ্খা লেপ্তুনা ৱাংজিং কদোমপোকপিদা লৈবা দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস কমপ্লেক্স মমাঙদা খোঙজং চঙশিনখ্রে। থৌবাল কৈথেলদসু কৈথেল ফম্বী ইমাশিং অমদি মীয়াম্না নেস্নেল হায়ৱে তঙ্খায় থিংদুনা হ্যুমেন চেইন শেম্বগা লোয়ননা মণিপুরগী ঙমখৈ অমসুং শক্তম কায়বা য়ারোই হায়বগী খোঙজং চঙশিনখ্রে।

ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী তোঙান তোঙানবা মফমদসু কোকোমিগী লমজিং মখাদা ওল ককচিং ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন অমসুং জোইন্ট নন-গভর্ণমেন্ট ভোলুন্টরি ওর্গনাইজেসন খূৎশম্নদুনা ককচিং কৈথেল ফাওদুনা চৎলিবা নেস্নেল হায়ৱে ১৩৭- এ দা মীয়াম্না লম্বী থিংদুনা হ্যুমেন চেইন শেম্লগা খোঙজং চঙশিনখ্রে।

নাগা ফ্রেমৱার্ক এগ্রিমেন্টকী মখাদা নাগা শান্তিগী ৱারোইশিন পুরকপদা মণিপুরগী লৈজরিবা ঙমখৈ, এদমিনিষ্ট্রেটিভ, সোসিও ইকোনোমি অমসুং কলচরেল সেটঅপতা মখল অমত্তগী অকায়বা পীবা য়ারোই হায়না পোৎফম ফম্বী ইমা ইবেল অমদি দুকান ফন্সিবা মীওইশিংনা চঙশিনখিবা খোঙজং অদুদা খোল্লাও কয়াসু লাউখি হায়রি।

## এম সি পি সি আরগী কুমওন

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৯ (এস এন এস )ঃ

মণিপুর কম্মিসন ফোর প্রোটেক্সন ওফ চাইল্ড রাইট (এম সি পি সি আর)গী ৮ শুবা কুমওন থা অসিগী ১২ লাক্লিবা লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অয়ুক পুং ১০ তাবদা ওল্ড হায় কোর্ট কমপ্লেক্স নোর্থ এ ও সিদা লৈবা ষ্টেট কম্মিসন অসিগী ওফিস কেম্পসতা পাঙথোক্লগনি। থৌরম অসিদা 'তুমিন্না লৈখিসিরা' হায়না মীংথোনবা চাইল্ড ট্রেফিক্কিং অমসুং চাইল্ড সেক্সুয়েল এব্যুজগী অতেনবা প্লে অমসু উৎকনি হায়রি।

## নীলকান্ত মেমোরিয়েল লেকচর পাঙথোক্কনি

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৯ (এস এন এস )ঃ

মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ ইম্ফালনা শীন্দুনা হয়েং নোংমাইজিং নুমিৎকী নুংথিল পুং ১.৩০ তাবদা জে এন মণিপুর দান্স একাদেমি ইম্ফালদা পাঙথোক্কদবা থৌরমদা টেগোর এৱার্দ ফোর কলচরেল হার্মোনি ২০১৪ ফংখ্রবা রাজকুমার সিংহজিৎ সিংহবু তরাম্না ওকপগা লোয়ননা ৭ শুবা নীলকান্ত মেমোরিয়েল লেকচর পাঙথোক্লগনি। পদ্মশ্রী রাজকুমার সিংহজিৎনা মণিপুরী কলচরদা প্রো. নীলকান্তগী মীৎয়েং অমসুং ৱাখল হায়বসিদা লেকচর পীগনি হায়রি।

## অৱাবা ফোঙখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৯ (এস এন এস )ঃ

ললিৎ কলা সঙ্গমগী থবক থৌরম কয়াদা চাউনা শরুক য়ারম্বা পেট্রোল মেম্বর ক্ষেত্রিময়ুম জুগিন্দ্রো সিংহনা হৌখিবা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা খঙহৌদনা লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে। ইম্ফালগী লোক-লাওবুংদা লৈবা ললিৎ কালা সঙ্গমগী হেদ ওফিস্তা ঙরাং পাঙথোকখিবা অৱাবা ফোঙবগী মীফম্না লৈখিদ্রবগী থৱায়না মপুগী নাক্তা ইংনা চিক্না লৈরুনবা মিনিট ২ তুমিন্না লেপ্তুনা থৌনিজখি অমসুং ইমুং মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়ারি হায়রি।

## শগোলবন্দ মোইরাং লৈরক, নেপ্রা মেঙ্গোর লৈকাইদা হ্যুমেন চেইন শেমদুনা খোঙচৎ চৎখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৯ (এস এন এস )ঃ

কোকোমিগী লমজিং মখাদা শগোলবন্দ মোইরাং লৈরক, নেপ্রা মেঙ্গোর লৈকাই অমদি অকোয়বদা লৈবা নুপী অমসুং নহাশিংনা ঙসি নুমিদাং হ্যুমেন চেইন শেম্বগা লোয়ননা মৈরাগী খোঙচৎ চত্তুনা নাগা শান্তি ৱারীগী ৱারোইশিন পুরকপদা মণিপুরগী অপূনবা শক্তম, লমখৈ, এদমিনিষ্ট্রেসন অমসুং সোসিও ইকোনোমিক অমদি কলচরদা অকায়বা পীবা নৎত্রগা শোকপা য়ারোই হায়না খোল্লাও কয়া লাওখ্রে।

খোঙচৎ অদু নেপ্রা মেঙ্গোর পুখ্রি মপান, মমাঙ লৈকাই, অৱাং লৈকাই অমদি মোইরাং লৈরক্কী অকোয়বদা লৈবা মৈরা পায়বীশিং অমদি ক্লব ওর্গনাইজেসনশিংগী মীওই কয়া শরুক য়াদুনা ঙসি নুমিদাং নোং মরক্তা মৈরা পায়দুনা নেস্নেল হায়ৱে শগোলবন্দ লম্বীদা খ্বাইরম্বন্দ কৈথেল তম্না ৱাহেংবম লৈকাই ফাওবা চৎখি। মসিগী মমাঙদা মীয়াম্না হ্যুমেন চেইন শেমদুনা কোকোমিনা লৈবাক্কী অপূনবা শক্তম কন্নবগীদমক চঙশিল্লকপা খোঙজংদা শরুক য়াখি। মখা তাবা খোঙজং কয়াদসু শরুক য়াগনি হায়না মৈরা পায়বী লুচিংবী অমনা ফোঙদোরকখি।

ইম্ফাল সহরগী তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদসু ঙসি হ্যুমেন চেইন শেমদুনা খোঙজং চত্খ্রে।

পনবা য়াই ঙরাংসু শগোলবন্দ নেপ্রা মেঙ্গোর লৈকাইগী মৈরা পায়বী লূপ অমদি ক্লবনা ওর্গনাইজেসন-শিংগী মীওইশিং য়াওনা য়ং সোসিয়েল সার্ভিস য়ুনিয়ন (ৱাই এস এস য়ু)গী ৱেটিং সেদতা ৱাকৎ মীফম চত্খি। মীফম অদুদা কোঅর্দিনেটিং কম্মিটি ওন মণিপুর ইন্টিগ্রিটি (কোকোমি)গী কনভেনর সুনিল করাম য়াওনা লুচিংবা কয়া শরুক য়াবগা লোয়ননা হৌজিক নাগা শান্তি ৱারী শান্নরক্লিবা অসিগী ৱারোইশিন পুরক্লবা হোৎনরিবা অসিদা মীয়াম্না মিপাইবা অমদি চিংনবা ফাওরিবা থৌওং থৌশিলশিং মীয়ামদা নীংথিনা খঙহনখি হায়রি।

## অন্দ্রো পার্কিংদগী য়ুঙৌ লিটর ৪৫ ফাগৎখ্রে ফ্রি প্রোগ্রেসিভ একাদেমিদা এৱার্নেস কেম্পেইন চত্খ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৯ (এস এন এস )ঃ

লমদম অসিদগী ময়াই কাবা চীঙ্গাক মরু ফংনা মুখৎনবা কোলিয়েসন এগেনষ্ট দ্রগস এন্দ অলকাহোল (কাদা)না চঙশিল্লকপা তোঙান তোঙানবা খোঙজংগী মনুং চন্না ঙরাং নুংথিল ৱাংখৈ অন্দ্রো পাকিংদা চত্খিবা অখন্নবা দ্রাইভতা য়ুঙৌ লিটর ৪৫ ফাগৎপা ঙমখ্রে। লোয়ননা ঙসি ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুংচনবা কোম্খৌজমদা লৈবা ফ্রি প্রোগ্রেস একাদেমিদা কাদাগী একাদেমিক এৱার্নেস কেম্পেইনসু চত্খ্রে।

কাদাগী সেক্রেটরী ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি কেঐচ অনন্দনা থাদোরকপা চেরোলনা হায়, ঙরাং ৱাংখৈ অন্দ্রো পার্কিংদা চত্খিবা অখন্নবা দ্রাইভতা য়ু য়োল্লম্বা মীওই ২ দগী পূন্না য়ুঙৌ লিটর ৪৫ ফাগৎপা ঙমখি। য়ুঙৌ য়োল্লম্বা মীওইশিং অদুদি ৱাংখৈ নিংথেম পুখ্রি মপান্দগী থিয়াম ওংবী বালা (৪৬) মপুরোইবা টিঐচ অঙৌ অমসুং কৈবিদগী লাইশ্রম ইনাওচা (৫৫) অপোকপা এল রাজেন্নি। মখোয়দগী ফংখিবা য়ু অদু মফম অদুমক্তদা মীয়াম মাঙদা হৈদোক্তুনা মৈ থাদুনা মাঙহনখ্রে হায়রি।

অতোপ্পা অমনা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুংচনবা কোম্খৌজমদা লৈবা ফ্রি প্রোগ্রেসিভ একাদেমিদা ময়াই কাবা চীঙ্গাক্লা মহৈরোয় খুন্নাইদা পীবা চৈথেং হায়বা হিরমদা একাদেমিক এৱার্নেস প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে। কেম্পেইন অদুদা একাদেমি অসিগী প্রিন্সিপাল লৈশাংথেম ইন্দ্রকুমার, কাদাগী ভাইস প্রসিদেন্ট নিংথৌজম দোরেন অমসুং কাদা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট কোম্খৌজম ওংবী রাধেস্নানা পূন্না ময়াই ফমখি। অদুগা কাদাগী সেক্রেটরী জেনরেল গিতচন্দ্র মঙাংনা রিছোর্স পার্সন ওইনা শরুক য়াখি হায়রি।

### কাদা অৱাবা ফোঙখ্রে

এসিষ্টেন্ট কম্মিস্নার ওফ এক্সাইজ ওইরম্বা শিংজমৈ মথক চোংথাম লৈকাইদগী কৈশাম জয়কুমারনা চৎলিবা থা অসিগী ৪ দা মনুং মতম চাদনা লৈখিদবদা কাদানা থম্মোয় শোক্লা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে।

কাদানা লমদম অসিদগী য়ু অমদি অতৈ ময়াই কাবা চীঙ্গাকশিং থিংনবা চত্থরকপা কেম্পেইন অমদি প্রোগ্রাম কয়াদা চাউনা শরুক য়াখিবা অমসুং অঙম্বা মতেং পাংখিবা কৈশাম প্রিয়োকুমার তুংগী পোরম পোমিৎ উবা ঙম্বা অশানবা মীৎয়েংনা য়েংবা ঙম্বা অচঙবা মীওইনি হায়রি। লৈখিদ্রবগী থৱায়না তাইবঙ মপুগী লৈকোলদা ইংনা চিক্লা লৈরুনবা থৌনিজবগা লোয়ননা ইমুং মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়ারি হায়নসু কাদাগী চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

## কাইনাদা গোবিন্দজি নিরুপন তৌবগী চহীগী থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৯ (এস এন এস )ঃ

ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুংচনবা কাইনা লাইফমদা শ্রীশ্রী গোবিন্দজি নিরুপন তৌখিবগী ২৪৪ শুবা চহীগী থৌরম ঙসি হিয়াঙ্গৈ ১২ নি পানবা হরি উথান নুমিত্তা পাঙথোকখ্রে।

পাঙম্বম শাগৈ সেবা কম্মিটিনা শীন্দুনা কম্মিটি অসিগী প্রসিদেন্ট পাঙম্বম তোম্বা সিংহনা ময়াই ফম্লগা পাঙথোকখিবা থৌরমগী মনুং চন্না গুনিন্দ্রো শর্ম্মনা কাইনাদা হৌখিবা থৈবোং পাম্বীদগী রাজর্ষি ভৈগ্যচন্দ্রনা গোবিন্দজিগী মূর্ত্তি অমদি অতৈ দেবতাশিং শাবা লোইদুনা নিরুপন তৌখিবগী ৱারী কয়া শরুক য়াখিবা মীয়ামদা লীদুনা খঙহনখি।

প্রসিদেন্ট পাঙম্বম তোম্বনা কুমজা ১৭৭৬ তা ভৈগ্যচন্দ্র মহারাজনা শ্রী গোবিন্দজি নিরুপন তৌখিবদগী কাইনা লাইফম অসি পাঙম্বম শাগৈনা সেবা চৎকন্দবনি হায়না শিন্নরম্বনা ঙসি ফাওবা তেক্ত কায়দনা চহী খূদিংগী নিরুপনগী থৌরম অসি পাঙথোকপনি হায়রি।

কম্মিটি অসিগী এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরী পি চাউবা সিংহনা হায়, কাইনা লাইফমগী সেবা চৎপদা অরান অশোয় য়াওরবসু নীংশিংবিরকউ মতুংদা ফনবা শীনগনি।

## অপূনবা জেলিয়াংরোং ভেল্লি বেজ ওর্গনাইজেসন শেমখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৯ (এস এন এস )ঃ

জেলিয়াংরোং য়ুনাইটেদ ক্লবস এসোসিয়েসন মণিপুর ভেল্লি (জে য়ু সি এ এম ৱাই)না শীন্দুনা ঙসি নমদুনলোং য়ুথ ক্লব ইম্ফালদা পাঙথোকখিবা জেলিয়াংরোং ভেল্লি বেজ ওর্গনাইজেসনশিং অপূনবা মীফম্না জেলিয়াংরোং য়ুনাইটেদ ওর্গনাইজেসন মণিপুর ভেল্লি হায়না মিংথোনবা ভেল্লি বেজ ওর্গনাইজেসন অমা শেমখ্রে।

জেদ য়ু সি এ এম ভিগী জেনরেল সেক্রেটরী লনতনলুং গোনমৈনা থাদোরকপা চেরোলনা হায়, নৌনা শেমখিবা জেলিয়াংরোং য়ুনাইটেদ ওর্গনাইজেসন মণিপুর ভেল্লি অসিগী কন্সটিট্যুয়েন্ট য়ুনিটশিংদি জেদ য়ু সি এ এম ভি, জেলিয়াংরোং য়ুনিয়ন ইম্ফাল জোন, কবুই মাদরস এসোসিয়েসন মণিপুর অমসুং রোংমৈ লু ফুমনি।

নৌনা শেমখিবা ওর্গনাইজেসন অসিগী প্রসিদেন্ট ওইনা মাইবোন ফাওমৈবু অদুগা সেক্রেটরী ওইনা পন্তিজাই গোনমৈবু হাপখ্রে। কন্সটিট্যুয়েন্ট য়ুনিটশিংগী প্রসিদেন্ট নৎত্রগা সেক্রেটরীনা নৌনা শেমখিবা ওর্গনাইজেসন অসিগী ভাইস প্রসিদেন্ট ওইগনি হায়রি।

## মণিপুরগী মরমদা অইবশিংগী খন্ন নৈনবা মীফম হয়েং পাঙথোক্কদৌরি

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৯ (এস এন এস )ঃ

হৌজিক ওইরিবা মণিপুরগী তঙদু লৈতাদবা ফিভম অসিগা মরী লৈননা লমদম অসিগী অইবা অইবীশিংগী ওইবা রাইটরস কনভেন্সন (অইবশিংগী খন্ন-নৈনবা মীফম) থা অসিগী ১১ নিংথৌকাবা নুমিৎকী অয়ুক পুং ১১.৩০ তাবদা ইম্ফালগী য়াইস্কুল পুলিস লেন্দদা লৈবা এম দি য়ুগী হোলদা পাঙথোক্কদৌরি।

পেট্রিওটিক রাইটরস ফোরম মণিপুরগী প্রসিদেন্ট য়াইস্কুল খ্বাইরাকপম্না ময়ায় ফমদুনা ঙসি পাঙথোকখিবা ফোরমগী স্পিসিয়েল জেনরেল বোদি মিটিংনা ফিরেপ অসি লৌখিবনি। চহী কয়া চূপ্না ইন্দিয়া গভর্ণমেন্ট অমসুং এন এস সি এন (আই এম)গী শান্তিগী ৱারী শান্নরকখিবা অসিগী মরুমদা মণিপুরগী অপূনবগী শক্তমদা হঞ্জিন হঞ্জিন লক্লবদৌনা চত্থরক্লিবা থৌওং কয়া অসিদা লমদম অসিগী অইবা অইবীশিংনা তুমিন্না লৈথোকপগী মতম নৎত্রে হায়নসু ফোঙদোরক্লি। কয়ারক হন্না চত্থরক্লিবা থৌওং অসি য়ানিংদবা উৎপগা লোয়ননা ইন্দিয়া লৈঙাক্কী লুচিংবশিংদা অইবশিংগী চপ চাবা ফিরেপ খঙহনবগী তঙাইফদবা তাঞ্জা অদু লাকপদগী মীফম অসি পাঙথোক্লবা শীনবনি।

অখন্নবা মীফম অসিদা লমদম অসিগী লিটরেরি ওর্গনাইজেসনশিংগী থৌ পুবশিং, অইবা অইবীশিং অমদি অইববু য়োকখৎপিরিবা মীয়াম্না লৌফম থোকপা থৌদাংনি খন্না শরুক য়াবিনবসু পেট্রিওটিক রাইটরস ফোরম মণিপুরগী সেক্রেটরী রাকেস নাওরেম্না থাদোরকপা চেরোলনা পাউজেল্লি।

## পার্সোনেলিটি দিভলপমেন্ট প্রোগ্রাম হৌখ্রে

থৌবাল, নবেম্বর ০৯ (এস এন এস )ঃ

ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকী লেবর এন্দ ইমপ্লোইমেন্ট মিনিষ্ট্রিগী মীৎয়েং মখাদা কাউন্সিল ফোর এদভান্সমেন্ট ওফ রুরেল দিভলপমেন্ট (সি এ আর দি) থৌবাল ক্ষেত্রি লৈকাই অমদি নেস্নেল বোর্দ ফোর ৱার্কর এদুকেসন এন্দ দিভলপমেন্ট ইম্ফালনা পূন্না শীন্দুনা নুমিৎ ১০ নি চত্থগদবা নহারোলশিংগী ওইবা পার্সোনেলিটি দিভলপমেন্ট প্রোগ্রাম ঙসি সি এ আর দিগী কনফরেন্স হোলদা হৌদোকখ্রে।

বিষ্ণুপুর, থৌবাল, ককচিং, ইম্ফাল ৱেষ্ট অমসুং চান্দেল দিষ্ট্রিক্টতগী নহা ৩০ রোম্না শরুক য়ারিবা রেসিদেন্সিয়েল পার্সোনেলিটি দিভলপমেন্ট প্রোগ্রাম হৌদোকপগী থৌরমদা নেস্নেল বোর্দ ফোর ৱার্কর এদুকেসনগী রিজনেল দিরেক্টর এম এন সলাম, এন ৱাই কেগী দিষ্ট্রিক্ট য়ুথ কোঅর্দিনেটর ওইরম্বা এস গৌরকিশ্বর অমদি হেদ মাষ্টর ওইরম্বা এম নরান সিংহনা অথোইবা মীথুংশিং ওইনা শরুক য়াখি।

এদিস্নেল দিরেক্টর এম এন সলাম্না হায়, প্রোগ্রাম অসি ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা নোর্থ ইষ্ট খক্তগী ওইনা অখন্ননা পীরকপনি। নহারোলশিংনা পূক্নিং চঙনা শরুক য়াদুনা মসিগী কান্নবা লৌহৌসি।

## সলুকোগী ১২ রক শুবা কুমওন থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৯ (এস এন এস )ঃ

শিংজমৈ টু লিলোং য়ুনাইটেদ ক্লবস ওর্গনাইজেসন (সলুকো)গী ১২ রক শুবা মপোক কুমওন থৌরম ঙসি পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা ফাউন্দর প্রসিদেন্ট দব্লিউ গোনেন্দ্রোনা অথোইবা মীথুং অদুগা হৌজিক্কী প্রসিদেন্ট কে সন্তোস লুৱাংনা থৌরম মপু ওইখি। সলুকোগী থৌমীশিং অমসুং মীয়াম্না শরুক য়াখিবা থৌরম অদুদা হৌজিক লৈবাক্কী তঙদু লৈতাদবা ইরাং অমদি ওইরিবা ফিভমদা হেন্না পূক্নিং চিংশিনখি।

প্রসিদেন্ট কে সন্তোস লুৱাংনা ফোঙদোকখিবদি সলুকোনা ঙসি ফাওবদা মায়কৈগী ওইনা মীয়াম অমদি ক্লবশিংগা খূৎশম্নরগা শেমগৎ শাগৎপা অমদি চাউখৎ থৌরাংগী থবক থৌরমশিং, মতম মতমগী পব্লিক ইসুশিং অমদি লৈবাক্কী থৌদোক ৱাথোকশিংদা শরুক য়াদুনা লাক্লি। লৈবাক্কী ওইবা ইসুশিংদা মীৎ না শিংনা লৈবগা লোয়ননা ইরৈচা অমদি ইরৈবাক্কীদমক অচেৎপা থৌদাং লৌমিন্নরক্লি। ঙসিদি ইন্দিয়া গভর্ণমেন্ট অমদি এন এস সি এন আই এমগী শান্তি ৱারীগী ৱারোইশিন পুরকপগী লুরবা তাঞ্জা অসিদা ইরমদম মণিপুর করি ওইরক্কদগে হায়বগী নিংদোল পোম্মরি। ৱারোইশিন অসিনা অফবা ৱারোই পুরকপদা তরাম্না ওক্কনি। অদুবু মণিপুরগী মনুং মপান হায়বদি টেরিটোরিয়েল ইন্টিগ্রিটি অমসুং এদমিনিষ্ট্রেসন্দা কায়হনবদি য়ারোই।

অমুকোগা চৎমিন্নরিবা সলুকোনা মীয়ামগীদমক য়েলহৌমী খূদিংমক নুংশি চান্ননা তেঙবাংমিন্নদুনা হিংমিন্ননবা হোৎনবগা লোয়ননা নিয়ম ঙাক্লা চৎমিন্নসি। লুচিংবশিংগী মরক্তঃসু ৱাখল তামিন্নদুনা লমজিংবিনবসু মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখি হায়রি।

## অমক্টানা কূপ্না য়েংশিল্লি

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৯ (এস এন এস )ঃ

ওল মণিপুর কলেজ টিচরস এসোসিয়েসন (অমক্টা)গী সেক্রে-টরিয়েৎ সিট্টিং হৌখিবা শগোলশেল নুমিত্তা পাঙথোক্তুনা ষ্টেট কেবিনেটনা লৌখিবা ৱারেপ লোয়ননা কম্মিস্নার (হয়ার এদুকেসন)না পীরকপা পাউদম কূপ্না খন্নবগা লোয়ননা গভর্ণমেন্টকী খোঙথাং কূপ্না য়েংশিনখ্রে হায়রি।

অমক্টাগী জোইন্ট সেক্রেটরী পব্লিসিটি ডা. এম ইমোচা সিংহনা মেদিয়াদা থাদোরকপা চেরোলনা হায়, এদুকেসন মিনিষ্টর ষ্টেটকী ৱাংমদা লৈখিবনা মরম ওইরগা ৭ শুবা য়ু জি সি পে স্কেল চৎনহনবগী অরোইবা ফিরেপ লৌবা ঙমখিদ্রে। অদুনা মথংগী কেবিনেট মিটিংদা লোইশিল্লগনি হায়বগী থাজবা কম্মিস্নার (হয়ার এদুকেসন)না পীরকখিবা অদু তরাম্না ওকপগা লোয়ননা অথুবদা চৎনহল্লক্কনি হায়বগী থাজবা থল্লি। মরম অদুনা হৌজিক্কী ওইনদি কলেজ ওঝাশিংনা পূক্নিং ফাথনা একাদেমিক এটমোস্ফিয়ারদা কায়দনবা হোৎনগদবনি। হৌজিক ওইরিবা লৈবাক্কী তঙদু লৈতাদবা ফিভম অমসুং মহৈরোয়শিংগী একাদেমিক এটমোস্ফিয়ার য়েংলগা খোঙজং অমত্তা তৌখিরোই হায়নসু মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

## ꯈꯨꯝꯅꯖꯣꯝ / নুংশংগী ওঝাবু থাগৎচরি



Naorem Ibomcha



ঐগী হকচাংদা নুংশং হায়রিবা লায়না অসিনা মতম শাংনা নাদুনা লৈরকপনি। লাইওংদি মপান্দা পোম্বা, মপান অকোয়বদা থাগৎপা, চেখায়বা, ঈ তাবা চিকপা শাবা, হাক্কৎচবা, খোঙ হাম্বা য়াদবা অসিনি। মফম খূদিং চৎতুনা য়েংজরুরে, ফবা কৌবা লৈত্রে। লাইবক ফবদগী হৈঙাংদা লৈবা নাওরেম ইবোমচা (Phone No. 8014023792/6009147645) গী হিদাক চাবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা নুংঙাইতবা অদু ঙসিদি পুকফ ফজরে। মরম অদুনা মীয়ামগী সেবা মতম কুইনা তৌবিরকখো হায়না ঈশ্বরগী মফমদা খুরুমজরি।

থাগৎচরিবা - **Maibam Kerani Meitei (60 )**
**Kongpal Chanam Leikai**

SL/5430/19 (M)

## ট্রিপুরাদা মেজর চোংথা মিয়াগী মিতম খিনবগী উরেপ উয়ুং তমখ্রে



অগরটালা, নবেম্বর ০৯ ঃ

ট্রিপুরাগী ষ্টেট কেপিটেল অগরটালাগী খা পাংনা কিলোমিটর ১৫ রোম চৎলগা লৈবা নরান খমর মৈতৈ খুঞ্জাওদা লৈবা মেজর চোংথা মিয়া মেমোরিয়েল কমপ্লেক্সতা চোংথা মিয়াগী মপূং ফাবা মিতম অমা খিন্নবগীদমক ঙসি উরেপ উয়ুং তমখ্রে।

চোংথা মিয়া ট্রষ্টনা শীন্দুনা ঙসি পাঙথোকখিবা উরেপ উয়ুং তম্বগী অচম্বা থৌরম অদুদা ইন্টরনেস্নেল পিছ এন্দ সোসিয়েল এদভান্সমেন্ট (ইপসা) ইম্ফাল মণিপুরগী প্রসিদেন্ট কোম্খৌজম জয়চন্দ্রনা অথোইবা মীথুং ওইনা শরুক য়াখি। মহাক্না হায়, কুমজা ১৯৮১ মণিপুরগী নিং তম্বা ঙাকপগী লান্দা ইপা ইপুশিং অমদি মেজর চোংথা মিয়াবু হৌরক্লিবা অমদি তুংগী মীরোলনা নীংশিংফম থোকই হায়দুনা চোংথা মিয়া ট্রষ্ট ট্রিপুরা, ইমপসা অমদি লূপ ৮ পূল্লগা শেম্বা জষ্টিস কম্মিটি ওন এঙ্গলো-মণিপুর ৱার ১৮৯১ খূৎশম্নরগা মিতম অসি নরান খমরদা শাগদৌরিবনি। হায়রিবা মিতম অসি ফুট ৬ ৱাংগনি অদুগা লাক্লিবা জনুৱারি ২৭ তা মায়খুম হাংদোক্লবা হোৎনগনি।

হৌজিক হৌজিক মিতম অসি মণিপুরদা শাবগী থবক লোইশিল্লক্কদৌরে। কমপ্লেক্সকী ফেন্সিংসু মতিক চানা শেমগৎকনি হায়রদুনা মায়খুম হাংদোকপগী থৌরমদা মণিপুরগী মিনিষ্টর অমসুং মীওই কয়াসু শরুক য়াগনি হায়রি।

থৌরম অদুদা চোংথা মিয়া ট্রষ্ট ট্রিপুরাগী প্রসিদেন্ট গুরুময়ুম নিতাই শর্ম্মা, ভাইস প্রসিদেন্ট জি গৌরহরি শর্ম্মা, ইপসাগী সেক্রেটরী (এদমিনিষ্ট্রেসন) দব্লিউ গুনেশ্বর, মেম্বর এন জি ইবোয়াইমা মঙাং অমদি অগরটালাদগী আর কে তরুনজিৎসু শরুক য়াখি।

পনবা য়াই, ট্রিপুরাদা মণিপুর নীংতম লাম্নীগী খুভম অনী ধলেশ্বর কৈল্যানিদা সনা চহী ৩ গী অমসুং নরান খমরদা চোংথা মিয়াগী লৈরি।

## জিরিবামগী মফম অনীদা ফ্রি মেদিকেল কেম্প পাঙথোকখ্রে

জিরিবাম, নবেম্বর ০৯ (জে এন এন)ঃ

সেবা ভারতি মণিপুর অমদি নেস্নেল মেদিকোস ওর্গনাইজেসন মণিপুরনা শীন্দুনা ঙসি জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা বাবুপারাদা লৈবা জিরিবাম হয়ার সেকেন্দরি স্কুলগী ওদিটোরিয়ম অমদি বরাক সার্কলগী নেতাজি হায়স্কুলদা ফ্রি মেদিকেল কেম্পশিং পাঙথোকখ্রে।

জিরিবাম হয়ার সেকেন্দরি স্কুল ওদিটোরিয়মদা পাঙথোকখিবা কেম্পকী মতাংদা মেদিকেল রিপ্রজেন্টেটিভ কে বোরতোন সিংহনা হায়, অসিগুম্বা মখলগী কেম্প অসি মনুং চঙশিন্না লৈবা বোরোবেক্রাদসু ডাক্তর ১১ অমদি পেরা মেদিকোস ৮ লোম্না শরুক য়াদুনা পাঙথোক্লি।

মরু ওইবা পান্দমদি জিরিবামদা লৈরিবা মীওইশিংনা ইম্ফালদা লাক্তুনা লায়েংবা ঙমজদবশিংগী খল্লগা অমদি মনুং চঙশিন্না লাপ্না লৈবা মীওইশিংদা অনা লায়েংগী খুদোংচাবা পীনবগীদমক সেবা ভারতি মণিপুরনা স্পোন্সর তৌরগা পাঙথোকপনি।

বরাক সার্কলগী নেতাজি হায়স্কুলদা পাঙথোকখিবা কেম্পতা লমদম অদুগী প্রধান ওইরম্বা পরিতোস দাসনা হায়, জকুরাধোর পার্ট ৱানদা নোংমগী ওইবা ফ্রি মেদিকেল কেম্প পাঙথোক্লিবা অসিদা হরাওবা অমসুং নুংঙাইবা পোকই অমদি জকুরাধোরগী মীয়াম্নসু অঙম্বা মতেং পাংলি।

ঙসি তোঙান তোঙানবা মফম ২ দা পাঙথোক্লিবা ফ্রি মেদিকেল কেম্প অদুদা লায়েংবা লাকখিবা মীওইশিংদা দরকার ওইবা হিদাক লাংথকসু লেম্না ফংহনখি হায়রি।

## ঙসিগী রাষি ফল (১০-১১-২০১৯)

ইবোপিশক নিংথৌজা (এৱার্দি)
*এষ্ট্রো এণ্ড পালমিষ্ট, পাউনা বাজার, ইম্ফাল*

**মেষঃ** পামদবা থেংনবা, ৱাখল লাঙবা মতম্নি। শেল ফংবা চৎপা মান্নগনি। পোৎ লৈবা য়াগনি। পাঙথোক্লিংবদি পাঙথোক্লগনি। শান্তি লৈতে। নক্ষত্র ১,২ অফবনি, ৩ ফত্তে।

**বৃষঃ** ৱাখল শাবা, লাঙবা মতম্নি। লম চৎপা, মী তিন্নবা চেকশিল্লু। পোৎ লৈবা য়াগনি। হকচাং ৱাখল নুংঙাইরোই। ইমুংদা মত খেন্নরগনি। নক্ষত্র ৩ ফত্তে, ৪ ফগনি, ৫ হেন্না ফত্তে।

**মিথুনঃ** চয়েৎনবা মতম্নি। অরুবদি পাঙথোক্লগনি। পোৎ লৈবা য়াগনি। অচৌবনা চানবিরগনি। লম চৎপা ফত্তে, ইমুংদা চরাঙনগনি। নক্ষত্র ৫ ফত্তে, ৬ ফগনি, ৭ ফত্তে।

**কর্কটঃ** শেল ফংবা, হোৎনবা য়াবা, অরুবা পাঙথোকপা, অচৌবনা চানবিবা মতম্নি। হকচাং ৱাখল ফগৎলগনি। ইমুংদা চরাঙনগনি। নক্ষত্র ৭ ফত্তে, ৮, ৯ অফবনি।

**সিংহঃ** শোক্কনবা, শাওনবা, মত খেন্নবা মতম্নি। শেল চৎলগনি। অফবা মীগা তিন্নবা ফগনি। পোৎ লৈবা য়াগনি। ইমুংদা চরাঙনগনি। নক্ষত্র ১০, ১১ ফগনি, ১২ ফত্তে।

**কন্যাঃ** হকচাং ৱাখল চাং অমদা লৈরগনি। শেল ফংবা চৎপা মান্নগনি। পোৎ লৈবা য়াগনি। মীচং শোম্ব্রগনি। ইমুংদা মত খেৎনরগনি। নক্ষত্র ১২ ফত্তে, ১৩ ফবা খরা ৱাৎলি, ১৪ ফগনি।

**তুলাঃ** শাওদবা ফগনি, চয়েৎনবা লৈরগনি। শেল চৎপা, ৱাখল লাঙবা মতম্নি। লোক থুংগনগনি। অরুবা পাঙথোকপা মতম্নি। খরদি চরাঙনগনি। নক্ষত্র ১৪ ফগনি, ১৫, ১৬ চাং অমদা লৈরগনি।

**বৃশ্চিকঃ** পাঙথোক্লিংবা পাঙথোক্লগনি। পোৎ লৈবা য়াগনি। ঐগী মী মশীং হেনগৎলগনি। ইমুংদা চরাঙনগনি। শেল ফংবা চৎপা মান্নগনি। নক্ষত্র ১৬ ফত্তে, ১৭,১৮ অফবনি।

**ধনুঃ** খুদোংচাবা থেংনবা, পাঙথোক্লিংবা পাঙথোকপা, ঐগী মী মশীং হেনগৎপা, অনৌবা পোৎ লৈবা য়াবা, ইমুংদা শান্তি লৈবা মতম্নি। নক্ষত্র ১৯, ২০ ফগনি, ২১ ফত্তে।

**মকরঃ** হকচাং, ৱাখল ফবা ৱাৎপা, মীৱা মীশা তাবা মতম্নি। শেল চৎপা মতম্নি। পোৎ লৈবা য়াগনি। অচৌবনা চানবিরগনি। নক্ষত্র ২১ ফত্তে, ২২,২৩ ফগনি।

**কুম্ভঃ** ৱাখল চরাঙনবা, শেল ফংবা চৎপা, পোৎ লৈবা য়াবা, অচৌবনা চানবিবা মতম্নি। ইমুংদা চরাংনগনি। শান্তি লৈতে। নক্ষত্র ২৩, ২৪ ফগনি, ২৫ ফত্তে।

**মীনঃ** খুদোংচাবা থেংনবা, শেল ফংবা, পোৎ লৈবা য়াবা, অচৌবনা নুংশিবিবা, অরুবা খরা পাঙথোকপা, ইমুংদা শান্তি লৈবা মতম্নি। নক্ষত্র ২৫ ফত্তে, ২৬, ২৭ অফবনি।

